## নীংশিং উপাল সনাখোংনাং থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): কুম্বী নগর পঞ্চায়টকী চ্যেরপার্সন ওইরম্বা ৱাহেংবম য়াইমনা কুম্বী এম সীগী ৱার্দ নম্বর ৮ গী কাউন্সীল্লর অমদি মেম্বরশিং লোয়ননা অহল-লমনশিংগা লোয়ননা মহাক্না শেমজবা সনাখোংনাং চারা মঙা অমদি উ-চারা মখল কয়া ৱার্দ নম্বর ৮ গী মঙগী অকোয়বা মফম অমসুং তুরেল মপালদা থাখ্রে।

ইনভাইরনমেন্ট কনবদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবগীদমক উ-চারা থাখিবা অদুদা ৱাহেংবম য়াইমানা হায়, মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভমদা অহোংবা কয়া লাকপসিদা উপাল থারগা তুংগী মীরোলগীদমক হোৎনরম্বা তঙাইফদে। উপালশিং অসি নীংথিনা হৌবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি। কাউন্সীল্লরশিং অমসুং ৱার্দ মেম্বরশিংনা মখা তানা ৱার্দ অসিগী মনুংদা উ-চারা কয়া থাসি হায়নসু মখা তাখি।

## ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): ষ্টেট ব্লদ সেল এন ঐচ এমনা সপোর্ট তৌদুনা ওবজার্ভেসন কম্মিটি দি গ্রেট জুন অপরাইজিং য়ুনিটি দে ২০১৯ গা ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট জেনিমসকা খুৎশম্নদুনা কেক্রুপাৎতা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। দি গ্রেট জুন অপরাইজিং য়ুনিটি দেগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা মীওই কয়ানা ঈ কৎনখি হায়রি।

## ৱাঙ্গোই হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ক্বার্টর মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): ৱাঙ্গোই হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কেম্পস মনুংদা লৈবা টাইপ ৱান অমদি টুগী ক্বার্টর অনী ঙসি নুংথিল পুং ৩ রোম তাবদা খঙহৌদনা মৈ চাখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, মৈ অদু ইলেক্ট্রিক সোর্ট সার্কিটতগী হৌরকপনি। মৈ চাকপা অদুদা স্কুল অদুগী ক্বার্টর অনীগী সিলিং অমদি ৱায়রনচিংবা চাকখ্রে। মফম অদুদা মৈ চাক্লে হায়বা পাউ হেক ফংবগা খুদক্তা ময়াং ইম্ফাল ফায়র সার্ভিস অমদি ইম্ফালগী ফায়র সার্ভিসকী কাঙবু থৌদোক থোকফম অদুদা চঙশিন্দুনা অয়াম্বা শরুক্তি কনবা ঙমখ্রে। ফায়র সার্ভিসনা মতম চানা লাক্লমদ্রবদি কা হেন্না অমাঙ অতা থোক্লম্বা য়াই হায়রি।

## ফিল্ম স্ক্রিপ লৌশিনবগী মতম শাংদোক্লে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): সিনে রাইটর্স এন্দ প্লেরাইটস ফোরম, মণিপুরনা শিন্দুনা অনীরকশুবা ওইনা পাংথোক্কদবা মণিপুরী ফিল্ম স্ক্রিপ চাংদম্নবগী স্ক্রিপ লৌশিনবগী মতম অইবশিংনা হায়জরকপগী মতুংইন্না জুন ৩০ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না ফোরম অসিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মণিপুরী ফিল্ম স্ক্রিপ চাংদম্নবা অসিগী অহানবা, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা মনা ওইনা মথংশিংনা লুপা লিশিং ৩০, ২০ অমসুং ১০গা লোয়ননা সাইতেসন অমদি লেংয়ান ফি পীজগনি। লমদম অসিগী অইবা, অইবীশিংনা জুন ৩০ ফাওবদা নিংথিনা নমথোক্লবা স্ক্রিপ কোপী ৩/৩ ফোরম অসিগী উরিপোক বাচস্পতি লৈকায়দা লৈবা ওফিসতা নৎত্রগা লম্ফেলগী সঙ্কর তোকিশতা লৈবা ফিলম ফোরমগী ওফিসতা পীশিনবীগদবনি। এন্ট্রি ফোর্ম ফংহৌদবশিংনা ফোরম অসিগী ওফিসতগী লৌবীবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ওফিস অসিদগী খঙবা য়াগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

## ৱর্ল্ড ম্যুজিক দে পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): ৱর্ল্ড ম্যুজিক দেগী থৌরম থা অসিগী ২১ দা ৱাই এ সী গ্রাউন্দ, য়াইস্কুলদা পাঙথোক্লগনি হায়না এন ঈ ব্রদর্স ইন্টরটেনমেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ৱর্ল্ড ম্যুজিক দে অসি ফ্রান্সতগী হৌদোরকখি। মালেমগী মফম কয়াদা ৱর্ল্ড ম্যুজিক দেগী থৌরম পাঙথোক্লদুনা লাক্লি। মণিপুরদসু আর্টিষ্ট অমদি ম্যুজিসিয়ন কয়া পুনশিন্নদুনা ৱর্ল্ড ম্যুজিক দেগী থৌরম ইম্ফালদা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। য়াইস্কুল ৱাই এ সী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা মিজোরামদগী বেন্দ অদামা, সাংতৈ, রেঞ্জা, পেন্টা ফ্যুজন, কাইচোনচিংবা কয়া অমসু শরুক য়াগনি। রেদ দেভিলস, প্লস পন্দিতনচিংবা কয়াসু পার্ফোমেন্স পীগদৌরি। এন্ট্রি ফ্রি ওইগনি হায়রি।

## মীখলদা মনি পৱার শীজিন্নখি হায়না কোংগ্রেস, সী পি আইনা শিরক্লিবা মরালসি য়ুম্ফম য়াওদবনি : বিশ্বজিৎ

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা মনি পৱার অমদি মসল পৱার শীজিন্নদুনা মায় পাকখিবনি হায়না কোংগ্রেস অমদি সী পি আইনা মরাল শিরক্লিবা ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না আই পি আর মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর বিশ্বজিৎকী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, লোক সভা মীখলদা বি জে পিগী মীরেপশিংনা মেল প্রেক্টিস অমত্তা শীজিন্নখিবা লৈতে। মনি অমদি মসল পৱার শীজিন্নদুনা মায় পাকখিবনি হায়না সী পি আই অমদি কোংগ্রেসনা মরাল শিরক্লিবা অসি য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি। সিট অনীমক্তা হান্ননা কোংগ্রেসকী মীরেপ মায় পাক্লম্লগা হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা কোংগ্রেসনা মায়থীবা নংখিবসি মণিপুর মীয়াম্না কোংগ্রেসপু রিজেক্ট তৌরকপনি। মণিপুর মীয়ামগী মেন্দেট অসি কোংগ্রেসনা ঈকায় খুম্নগদ্রা হায়না খল্লম্বনি। লমদম অসিগী মীয়াম্বু মরুওইনা ভোটরশিংবু শেলনা লৈবা য়াবা ভোটর ওইনা উহনবা অমদি কিহল্লগা চৎপা ভোটর ওইনা উহনবসি য়াম্না লাইবক থীবনি।

কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা মনি অমসুং মসল পৱার শীজিন্নদুনা লোক সভা মীখল মায় পাক্লবা হোৎনখিবগী এক্সপিরিয়েন্স লৈরমগদ্রা হায়বদি খঙদ্রে। বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অমা মণিপুরদা লিংলকপা অসিদদি ইলেক্সন মেল প্রেক্টিস শীজিন্নবগী ৱাফম খল্লুবা লৈতে। লোক সভা মীখল অনী কুমজা ২০০৯ অমসুং ২০১৪ দা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা সী পি আইগী মীরেপনা ভোট স্যের নীংথিনা ফংখি। ইলেক্সন অনীদুদা সী পি আইনা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা কোংগ্রেসকী মীরেপকা ভোট থিনখিবনি।

লোক সভা মীখল ২০১৯ দদি সী পি আইগী ফীভম অসি ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনসু য়াম্না শোকখ্রে। শুপ্পগী সিট অনীখক ফংখি। বি জে পিনা ফংখিবনা সিট ৩০৩ নি। সী পি আইগী মীরেপপু রিজেক্ট তৌরদুনা হান্নদগী ভোট স্যের য়াম্না হন্থনা ফংখ্রে। মসি ভোটরশিংনা পীবা মেন্দেটনি। দিমোক্রেসিদা মীয়াম্না মপুনি। মীয়ামগী ৱায়েলনা অরোইবনি।

বি জে পিগীদি পার্টি অসিগী মীরেপ মায়থিখিবা মতমদা মীয়ামগী মেন্দেট অদু ঈকায় খুম্নখি। দিমোক্রেসিগী অশেংবা শক্তম ঈকায় খুম্নদুনা মীয়ামগী মেন্দেট অসি লান্না উহনবা চুল্লোই। ঙাঙনিংবা লৈ হায়দুনা য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল শিদুনা কোংগ্রেস অমসুং সী পি আইনা পোলিটিকেল মেচ্যুরিটি খঙদনা থবক তৌবা চুল্লোই। ইলেক্সনদা মেল প্রেক্টিস শীজিন্নখিবা অমদি শেল অমসুং পৱার শীজিন্নখ্রে হায়রবদি মদুগী দোক্যুমেন্টরি এভিদেন্স পুথোকপীয়ু। মদু নত্তনা করিগুম্বা খরা হায়হৌদবা য়াদে হায়না হায়রকপসিদি দিমোক্রেসিগী ভেল্যু খোঙ্গাওনবা তাগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা মখা তারদুনা হায়খি, পৱার অমদি ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টতা শেল কায়বগী থবক অসি বজেটরি প্রোভিজন মখাদা চথবা ঙাক্তনি। মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টতা অনৌবা থবক পায়খৎপা য়াদে হায়বা লৈ। অদুবু ওন গোয়িং প্রোজেক্টকীদি শেল কায়বা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

## মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ওল্ড এজ হোমগী ৮ শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর সিনিয়র সিটিজন্স ৱেলফ্যের এসোসিএসন, মোংশাঙ্গৈ মখা লৈকায়গী মেনেজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা ওল্ড এজ হোমগী ৮ শুবা ফাউন্দেসন দে ২০১৯ গী থৌরম ঙসি মোংশাঙ্গৈ মখাদা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর সিনিয়র সিটিজন্স ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী খ্বাইদগী অহল ওইরবা মেম্বর এন বিজয়কুমার, ওল মণিপুর সিনিয়র সিটিজন্স ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এল গৌরচন্দ্র শর্ম্মা, দি এম কোলেজ ওফ কমর্সকী প্রিন্সিপাল ওইরম্বদা নত্তনা ফিমেল ভেটরান এথলেট অহল ওইরবী এস সনাহনবী, মোংশাঙ্গৈ ময়াই লৈকায়দগী লেন্দ দোনর এ কে ইঙোবী অমদি হোটেল তম্ফাগী প্রোপ্রাইটর পুখ্রি দোনর কেইরাবোৎনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এন বিজয়কুমারনা হায়খি, মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা কোয়না চৎলুবদা ওল্ড এজ হোম অসি তোঙান তোঙানবা মমিং থোল্লগা লৈরম্বা থেংনরকখি। মখোয়গী মফম অদুদা আর্মিগী অচৌবা ওফিসর ওইরম্বা পেন্সন চৎলবা কারগা থমদুনা নুংঙাইনা লৈবা থেংনরকখি। ইন্দিয়াগী মনুংদসু ওল্ড এজ হোম লৈ। অহল ওইরবা মচা-মশুনা মীরায়বীরবা অহলশিং য়াওনা মণিপুরগী ওল্ড এজ হোম অসিদা মখোয় পুন্না নুংঙাইনা লৈরি। অহল ওইরবশিংবু মচা-মশু ওইরিবা ঐখোয়না য়াম্না নুংশি-চান্ননা লোয়নবীবা অমদি মখোয়গী পূক্লিং পেন্না সেবা তৌবনা অথোইবনি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা এস সনাহনবীনা ফোঙদোকখিবদা, অপোকপী মমা ঙন্না কায়নখি। মহাক্না ময়ুমদা থোরক্লবা মতুংদা অশোনবা মথৌবু য়াম্না লূনা-চান্না তৌবী। ময়ুম পাল্লবা মতুংদসু অহল ওইরবা মনেমবোকপু মমামকনি খন্দুনা য়াম্না নুংশিনা সেবা তৌবা ফংজখি হায়রি। ওল্ড এজ হোম অসিদা লৈরিবা অহলশিং য়াম্না নুংশি-চান্ননা লৈবা অসি উরগা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এগজাম ২০১৯ দা ১৩ শুবা পোজিসন লাকখিবা মোংশাঙ্গৈ ময়াই লৈকায়দা লৈবা থৌদাম য়োইহেনবা, অপোকপা ডা. থৌদাম বসন্তা অমদি লোয়নবী মুতুম মিনারানিবু তরাম্না ওক্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা অফবা মচা পুথোকপগীদমক ডা. বসন্তা অমদি মিনারানিদা লুপা লিশিং ১০ পীখি।

## ‘দ্রগ য়োনবা অমদি চাবা পুলিসনা ফাবীয়ু’

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা অমদি য়োনবা চাং য়াম্না হেনগৎলক্লিবা অসি লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন অমদি খুমন্থেম লৈকায়না নুংনাংবগা লোয়ননা মরী লৈনবা পুলিসনা ফাবীনবা হায়রি।

এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন, লমদিং খুমন্থেম লৈকায়না লেপ্পা লৈতনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা দ্রাইব চথরক্লি। ক্লব অসিগী থৌমীশিংনা লমদিং অমদি সঙ্গাইয়ুম্ফমগী লৌকোলদগী নম্বর ফোর হেরোইন শীজিন্নবা মীওই অহুম ফাগৎখ্রে। ফাগৎলবশিং অদু ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

সঙ্গাইয়ুম্ফম অমদি নুংফৌদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা হেনগৎলকপদা এল ঈ দব্লিয়ু এনা নুংনাংবা ফোঙদোরক্লি। হিরম অসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মতম চানা য়েংশিনবীদুনা খুন্নাই অসিবু দ্রগতগী কন্নবা হোৎনবীয়ু।

অমরোমদা, ক্লব অসিনা ফারিবা দ্রগ লান্না শীজিন্নবা অয়াম্বা হৈরোক খুনদগী ওইবনা খুল অসিনা নুংনাংবা য়াম্না ফাওই। মরম অসিনা হৈরোক্কী ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংনসু দ্রগ লান্না শীজিন্ননবা থিংনবা হোৎনবীয়ু লোয়ননা মৈরা পায়বীশিংনসু মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

## হোমিওপেথিগী ডোক্তরনা অয়ুর্বেদিক্কী হিদাক ইবা য়াদে হায়বা অথিংবা লৈতে : এম এস

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): হোমিওপেথিগী ডোক্তরনা অয়ুর্বেদিক্কী হিদাক ইবা য়াদে হায়বা অথিংবা লৈতে। তশেংনা ডোক্তর অমা হায়বা অসিদি অনাবা অদুবু য়ারিবমখৈ থুনা ফনবা লায়েংবীবনি হায়না লম্ফেলদা লৈবা ফিফতি বেদেদ ইন্টিগ্রেটেদ অয়ুশ হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. এন জি মেম্মানা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, অয়ুশ হায়বা অসি অয়ুর্বেদ যোগ এন্দ নেচরোপেথি, য়ুনানি, সিধনি অমসুং হোমিওপেথি হায়রিবা মঙা অসিনা পুল্লগা শেম্বা মেদিকেল প্রেক্টিস সিষ্টেম অমনি। মরম অদুনা হোমিওপেথিগী ডোক্তর অমনা অয়ুর্বেদিক্কী হিদাক প্রিস্ক্রাইব তৌবা য়াদে হায়বা মদুগী লো লৈতে।

লাইবক থীবদি হোস্পিটাল অসিদা লৈরিবা জুনিয়র ডোক্তর খরনা মহাক্না অয়ুবেদিক্কী হিদাক অনাবদা প্রিস্ক্রাইব তৌদুনা ক্রোস প্রেক্টিস তৌরে হায়না লান্না ৱাফম অমা শন্দোরকপা অসি লাইবক থবীনি। ডা. এন জি মেম্মানা হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদগী হোস্পিটাল অসিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওইনা থৌ পুদুনা লাকপদগী হোস্পিটাল অসিদা হান্না তৌরমদবা কয়া অমা হোংদোক্তুনা হৌজিক্তি অনাবা কয়ানা অপেনবা ফাওবা ফোঙদোরকপা লৈরি। মসিনা মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট অমা ওইবগী চাউথোকচবা অদুসু ফাওই।

অসিগুম্বা তাল্লক অসিদা মহাক্না মিস মেনেজমেন্ট অমদি মিসবিহেবিয়র তৌদুনা হোস্পিটাল অসিগী লেদি থেরাপিষ্ট খরদা নম্ফুদা নুপা অনাবশিংবু লায়েংহল্লি হায়না লান্না পাউথোক্লিবা অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়রি। পাউগী মীফম অদুদা লম্ফেল সনা কৈথেল দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী এদভাইজর লাইশ্রম সুভাসসু শরুক য়াখি।

## মেমোরিএল ষ্টোন মায়খুম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): সনাপোকপা চকপা অন্দ্রো মৈহৌবিরোলনা শীন্দুনা ঙসি অন্দ্রোদা মেমোরিএল ষ্টোন মায়খুম হাংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী চ্যেরমেন এন্দ মেনেজিং দিরেক্টর নারেংবম সমরজিৎনা চীফ গেষ্ট অমদি চকপা অন্দ্রো পানা লোইশঙগী খুল্লাকপম চিংঙাখম গনধারনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। মেমোরিএল ষ্টোন অদু ঙারিয়ান মুস্লিম ভিলেজদগী এম দি বাসির অহমদ (টিচর) না দোনেট তৌরকখিবনি হায়রি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙলদুনা সলাই হোল্ডিংসকী চ্যেরমেন এন্দ মেনেজিং দিরেক্টর নারেংবম সমরজিৎনা হায়খি, অন্দ্রোগী লাইওইখ্রবা অহল অহুমগী মেমোরিএল ষ্টোন হাংদোকপগী থৌরম অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। অহল অহুম অসিনা অন্দ্রোগী সোসল, পোলিটিকেল অমদি ইকনমিগী লমদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরম্মী। অন্দ্রো অসি পুৱারীগী য়াম্না মরুওইবা মফম অমনি। মফম অসিদা মৈ মুৎতনা লৈরি। মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা মৈ অসিনা কংলৈচাশিংগী থম্মোয়দা ঙান্দুনা মায় পাকপা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ‘নম্বোল ম্যুনিসিপালিটিগী কাউন্সিল্লর খরনা নফসাগী কার্দ রিন্যু তৌবদা লুপা ১০০ লৌরে’

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর খরনা নেসনেল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা) গী কার্দ রিন্যু তৌবদা লুপা ১০০/১০০ লৌরে হায়না কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সি পি আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা মরাল শীরক্লি।

সি পি আই, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরি সোটিনকুমারনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনেল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা)গী চেঙগী কার্দ রিন্যু তৌবগী থবক হৌজিক নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ খরদা কন্না চথরি। চথরিবা থবক অসিমক্তি ফৈ, অদুবু মসি কাংলোন চুম্না চথরিবরা হায়বসি চিংনিংঙাই ওইরি। মহৌশা রিন্যু তৌবদা শেল চঙনদবা অমসুং চঙলুবসু য়াম্না চঙলমদে। অদুবু হন্দক্তি লুপা ১০০/১০০ লৌরে হায়বগী পাউ ফংলে। মসিমক অচুম্বা নত্তে। লাইরবশিংগী পীরকপা খুদোংচাবা অসিনা মরম ওইরগা লাইরবশিংবু অৱাবা পীবা ওইনা থোক্লে। মরম অদুনা শেল হেন্না লৌরিবা অসি খুদক্তুগী তোকপীনবা সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা আপিল তৌরি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোক্লি।

## লম্লক্কী শা-উচেক ফানবা লাং থাক্লম্বশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু ফানবা মশক খঙদবা মীওই খরনা লমদিংগী লৌকোলদা লাং থাক্লম্বশিং লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এল ঈ দব্লিয়ু এ) লমদিং খুমন্থেম লৈকায়গী ক্লবকী ভলুন্টিয়রশিংনা দ্রাইব চথবদা লাং অচৌবা য়াওনা ফাগৎলে হায়রি। লাং থাক্লম্বা মীওইশিং অদু নাম্বোক্তুনা চেনখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিনা লমদম অসিগী লৌবুক-লম্মাংদা লম্লক্কী শা-উচেক ফবীদনবা হান্নদগী হায়দুনা লাক্লি। শা-উচেক হাৎতোকপনা মহৌশাগী খল কায়থরক্তুনা মালেম অসি মীওইবনা লৈবদা নুংঙাইতবা মফম অমা ওইরে হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্না ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাই। লৈঙাক্না তৌবা ঙাইদুনা লৈরবদি ঐখোয় নোংম-নোংমগী ইকোলোজিকেল বেলেন্স কায়থরক্লগনি হায়বসি খঙমিন্নসি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।







